# ঈরাং হৌগে হায়বদি নত্তে, লৌমীদা মতম মাঙহনবীগনু ঈরাংসু পামদে, ঈরাং হৌনবা লৈঙাক্লা শীনবীগনু : গ্যানেশ্বর



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৮ (ঐচ এন এস) :
এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টকী পোৎ খুৎয়োনসি য়ানিংদে, লুপা ২৫০ হায়বসি লৌমী ঐখোয়গীদি য়ামখ্রবা শেনফমনি। অতোপ্পা মীগী ষ্টেট খরদদি পোৎ-চৈগী মমল অসি পৈশা ২৫ অমদি পৈশা ৫০ হেনবদা ঈরাং হৌনরিবনি। অদুবু ঐখোয়দি ঈরাং হৌগে হায়বদি নত্তে, লৌমীদা মতম মাঙহনবীগনু, ঈরাং হৌবসু পামদে। লোয়ননা ঈরাং হৌনবা এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্ট অমদি লৈঙাক্লা শীনবীগনু হায়না ইথাই ফার্মরস এসোসিএসনগী সেক্রেটরি করাম গ্যানেশ্বরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, হন্দক চহীগী রবি ক্রোপতা মনা-মশিং থারিবা লৌমীশিংনা এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টতা য়ুরিয়া হার লৈবা চৎলুবদা য়ুরিয়া বেগ অমদা মুক্তা পৱার (কে জি অমগী পেকেট অমদা লুপা ২৫০) পীদুনা নমদুনা লৈহনবগী থৌওং অসিদি মমাংঙৈদা অহল-লমনশিংনা লীবীরম্বা ৱারীদা য়েন য়োনবা নুপা অমনা মাগী য়েনদু য়োনবদা ফদিগোম মপুন অমসু য়োনশিনখিবগী ৱারীদু নৌহৌননা নীংশিংলকই। য়ুরিয়ানা কেমিকেলনি, মুক্তা পৱারনা বাইও ফর্টিলাইজরনি। পুন্না তোৎশিন্নদুনা শীজিন্নবা য়াবসু নত্তবা অসিদা করিগীদমক্তা চমজখ্রবা লৌমীশিংদা নমদুনা লৈহল্লিবনো। তঙাইফদনা য়ুরিয়াদি হাপ্তুবা য়াদবদগী লৌমীশিংনা মথৌ তারিবা য়ুরিয়া অসি লৈনবা হোৎনবদা হঙ্গামগী হৌজিক ওইরিবা তাঙ্কক অসিদা মথৌসু তারোইদবা মুক্তা পৱার পেকেট ২৫০ পীবা অসিসু য়াওনা লৈহনবা অসিদা লায়রবা লৌমী কয়াদি অৱাবা মায়োক্লুরে। লৈতবশিংনা লৈননবা হোৎনবদা হঙ্গাম থাউ শুংলগা পীগে হায়দুনা এদভান্স ওইনা শেল লৌশিনবসু য়াওনরে। হায়রিবা এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টকী থৌওং অসি য়ানিংদে। লায়রবা লৌমীশিংগী খনবীবা নত্তে হায়রি।

লৌমীশিংদা বিজিনেস তৌশিনবনি, পোৎ-চৈ থাবগী এক্সপেন্দিচরগা লাক্লিবা ইনকমগা হোৎনরুবদা লৌ উবা কান্নদ্রে হায়দুনা লৌ উবা তন্নরক্লবা মতম অসিদা তঙাইফদনা লৌমীশিংনা মীপাল তাঙদনা হিংনবা হোৎনরিবা অমদি চীঞ্জাক্তা মীপাল তাঙদনবা কন্না হোৎনরিবা অসিদা লৌমীদা মতেং পাংবীবগী মহুৎতা লৌমীশিংদগী খুদোংচাবা লৌহৌনবা হোৎনবা অসিদি এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টকী অশোয়বা খোঙথাংনি। মসি তৌবীগনু অমদি লৌমীদা বিজিনেস তৌশিনবীগনু। লৌমীবু শৌগৎপীয়ু, লৌমীদা মতেং পাংবীয়ু। লোয়ননা লৌমীদগী লৌখিবা মুক্তা পৱারগী লুপা ২৫০ অদু য়ুরিয়াদা সবসিদি পীবগুম পীবীদুনা লৌমী ঐখোয়দা হন্দোকপীয়ু। মুক্তা পৱার ফনা ফদুনসু ঐখোয়দি পামদে। অপাম্বা পোৎ খন্দুনা লৈজগে। নমদুনা পোৎ পীশিনবীগনু। লৌমী ঐখোয়গী রাইট মৎপীগনু, ঐখোয়সু থম্মোয় পাল্লি, য়াম্না নুংঙাইজদে। মুক্তা পৱার লৈখিবগী শেনফম চাদা ৫০দা সবসিদি পীদুনা হন্দোকপীয়ু। মুক্তা পৱারগী শীজিন্নফম অমদি কান্নবনচিংবশি অদু হান্না লৌমীশিংদা খঙহনবীয়ু। লৌমীশিংনা পামদবা পোৎ নমদুনা লৈহনবীগনু। লৌমীশিংগী রাইট মৎপীগনু। লৌমীশিংবু নুংশিবীয়ু হায়না ইথাই ফার্মরস এসোসিএসনগী সেক্রেটরিগী মায়কৈদগী থাদোরকপা চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# খেকমন অৱাং বজার থুদেকপশিংগী মথক্তা এক্সন লৌবীয়ু : বজার বোর্দ




ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৮ (ঐচ এন এস) :
কুমজা ১৯৭৬তগী লৈরক্লবা খেকমন অৱাং বজার থুদেকখিবা অসিগী মথক্তা এক্সন লৈঙাক্লা লৌবীয়ু হায়না ঙসি মায়কৈ অসোমগী য়াল্লবা কৈথেল ফম্বী ইমা-ইবেলশিং য়াওনা মীয়ামগী ওইবা খোঙচৎ অমা চৎপগা লোয়ননা ৱাকৎ মীফম অমসু পাঙথোকখ্রে হায়না খেকমন অৱাং বজার বোর্দ থৌবাল খেকমনগী প্রসিদেন্টকী মায়কৈদগী থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, চহী ১৯৭৬তগী লৈজরক্লবা খেকমন অৱাং বজার অসি মহৌশাগুম অদুম্মক লেঙদনা থন্বীয়ু। লোয়ননা হীরম অসিগী মতাংদা মরী লৈনবা ওথোরিটি অমদি লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙবীদুনা অথুবা মতমদা থবক্তা পায়খৎপীয়ু হায়রি।

খেকমন অৱাং বজার থুদেকপগী থৌদোক অদুদা মায়কৈ অদোমগী পেন্দ্রবা ইমা-ইবেলশিং অমদি মীয়াম য়াওনা খেকমন অৱাং বজার থুদেক্লিবা অসি মরম চাদে। মরম অদুনা অসিগুম্বা থৌওং অসি তৌবীগনু হায়বগী য়াল্লবা মীয়ামগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা খেকমন অৱাং বজারগী অকোয়বদা কৈথেল ফম্বী ইমা-ইবেলশিং অমদি মীয়াম য়াওনা পেন্দবগী ৱাকৎ কয়া ফোঙদোক্লদুনা অমসুং স্লোগান কয়া লাউদুনা রেল্লি অমসু চৎখি। রেল্লি অদুদা শরুক য়াখিবী কৈথেল ফম্বী ইমা-ইবেলশিংনা ফোঙদোকখিবদা, কৈথেল অসিগী মতেংনা ইমুংগী লৈত-লায়রা পুদুনা লাকখিবনি। কৈথেল অসি লৈত্রবদি অৱাবা ওইরগনি হায়খি হায়রি।

# বডজেট মীফমদা লৌমীগী শেন্থোক হেনগৎহন্নবা অখন্নবা শেনফম কায়থোকউ : লৌমী লূপ

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৮ (ঐচ এন এস) :
বডজেট মীফমদা লৌমীগী শেন্থোক হেনগৎহন্নবা অখন্নবা শেনফম কায়থোকউ হায়না মণিপুর লৌমী লূপকী সেক্রেটরি ঐচ ইবোবীনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, নীং-খা তম্লবা মতুংদগীদি লৈবাক্কী ইকনমি গ্রোথ ৱাংহনবদা এগ্রিকলচর সেক্তরনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি হায়বসি হান্না ফাইনান্স মিনিষ্টর ওইরম্লবশিং য়াওনা মমিং লৈরবা ইকনমিষ্ট কয়ানা য়ানরবা ৱাফমনি। নীংশিংবা য়াবদি, কুমজা ১৯৫০দগী ১৯৫৬ ফাওবদা লৌউ-শিংউনা লৈবাক্কী গ্রোস দোমেষ্টিক প্রদক্টকী চাংচৎ চাদা ৫৬তগী ৬৫গী চাংদা মতেং পাংলমখি। লাইবক থীবদি কুমজা ১৯৭০গী অঙনবদা পোৎ-চৈগী মমল তাঙবা হেল্লকপদগী মতম অদুগী লৈখিদ্রবী প্রাইম মিনিষ্টর ইন্দিরা গান্ধীনা লৈবাক অসিগী শেন্থোক নেম্বা ইমুংশিংদা অহোংবা মমলদা মরুওইবা চান-থক্লবা পোৎলমশিং ফংহন্নবা পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন সিষ্টেম (পি দি এস) হৌদোক্তুনা খুঙ্গং অমদি সিটি কয়াদা ফ্যের প্রাইস সোপশিং হাংহল্লমখি। মমল হেনগৎলকপগী মরী-মখোংশিং থিজিল্লুবদা ইন্দষ্ট্রিজ মপু অমসুং শেঞ্জাও পায়বা বিজিনেস তৌবা মীওই খরনা মরুওইবা চান-থক্লবা পোৎলম মখল কয়া লোন্না পৈশিনবদগী খুৎশেমগী মমল তাঙবা লৈবাক অসিদা থোকহল্লকখিবনি হায়বদু খঙলকখি। মদু হেক খঙলকপদগী লৈবাক অসিগী ষ্টেট শিনবা থুংবদা অকনবা দিহোদিং কেম্পেয়ন চঙশিনবদগী মতমদুগী লৌমীশিংনা পুথোকপা মহৈ-মরোং মমল কয়াগী অচাবা মমল ফংবদগী মখা তানা মীপাল তাঙদনা মথং লৌরোক্কী শেল শাবা ঙম্নরম্মী।

লোয়ননা লৌউ-শিংউগী লমদা হেন্না খুন্মাং চাউশিল্লকখিবা হায়বদু ওইরকখি। অদুবু লাইবক থীবদি নিও লিবরেল ইকনমিক পোলিসী চৎনহনখিবা ১৯৯১গী মতুংদগী প্রাইভেটাইজেসনদা খুৎচাউ থারকখিবা অমদি ট্রান্স নেসনল কোর্পোরেসন কয়াগী রিটেল আউটলেট কয়া হাংনরকপদগী লৌউ-শিংউবনা শিনফম ওইরিবা লৌমীশিংদা শেল চঙবা হেল্লকপদগী অচঙমল হঞ্জিনবা ঙমদ্রবা লৌমী কয়া শেন্দোন শিংবা ঙমদবদগী মশা মতোমতা শিজবগী মশীং হেল্লকপনি হায়বসি ডা. স্বামিনাথন কম্মিসন রিপোর্টনা খঙহনখিবা লৈখ্রবনি। অসিগুম্লবা অৱাবা অসি থোক্তনবা এগ্রি সেক্তরদা অহেনবা শেনফম কায়থোকপা মথৌ তাই। লোয়ননা লৈবাক অসিগী ইকনমিক গ্রোথ ৱাংহন্নবগী লৌউ-শিংউবদা শীজিন্নরিবা হীরম খূদিংদা অহেনবা সবসিদি পীগদবনি হায়রি।

# ষ্টেট লেভেল অমসুং দিষ্ট্রিক্ট লেভেলদা লাক্কদৌরিবা থাদা চত্থগদৌরিবা খোঙজংশিংদা লৈবাক মীয়াম্না শরুক য়াবীয়ু : এল সোটিনকুমার

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৮ (ঐচ এন এস) :
হৌজিক হৌজিক লৈবাক অসিগী শিন্মীশিংবু নমথনবা লেবর লো ২৯বু কোদ মরিদা পুনশিন্নবা হোৎনরিবসি থেংনদুনা হন্দোকহনবা চঙই অমসুং লাক্কদৌরিবা থা খরা অসিদা ষ্টেট লেভেল অমসুং দিষ্ট্রিক্ট লেভেলদা চত্থগদৌরিবা খোঙজংশিংদা লৈবাক মীয়াম্নসু শরুক য়াবীয়ু হায়না ট্রেদ য়ুনিয়নগী ষ্টেট জেনরেল সেক্রেটরি এল সোটিনকুমারনা ফোঙদোকখ্রে হায়না ওল ইন্দিয়া ট্রেদ য়ুনিয়ন কোংগ্রেস (এ আই টি য়ু সী) থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী সেক্রেটরি এল বিহারীনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।



চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, ৱাফম অসি ওল ইন্দিয়া ট্রেদ য়ুনিয়ন কোংগ্রেস থৌবাল/ককচিং দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী অহানবা কনভেন্সন চৎলিবা থা অসিগী হৌখিবা জন্যুৱারী ১৫দা ককচিংগী ৱাইরিদা ট্রেদ য়ুনিয়ন অসিগী ষ্টেট জেনরেল সেক্রেটরি এল সোটিনকুমার, ভাইস প্রসিদেন্ট এস নিলকমল, এগজিক্যুটিভ মেম্বর য়ু রাজমোহোন, দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী লুচিংবা ৱাই চাউবনা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা ফোঙদোকখিবনি। ককচিং ৱাইরিদা পাঙথোকখিবা এ আই টি য়ু সী, থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী কনভেন্সন অদুদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী তোঙান তোঙানবা ট্রেদশিংগী লুচিংবশিং শরুক য়াখিবগা লোয়ননা হেন্না মপাঙ্গল কনবা য়ুনিয়ন অমসু ওইনবা খন্ন-নৈনখি।

মীফম অদুদা এল সোটিনকুমারনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, তোঙান তোঙানবা শিনফমশিংদা থবক তৌজরিবা শিন্মীশিংগী য়াইফ থৌরাং, ফংফম থোকপা রাইটশিং ফংননবা হোৎনবদা অপূনবগী পাঙ্গল চঙই। মসিদা দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিনা তঙাইফদবা থৌদাং অমসুং থেংনবা চঙই হায়না ফোঙদোকখি।

কনভেন্সন অদুদা শরুক য়াখিবা ৱাই চাউবা, য়ু রাজমোহোন, এস নিলকমলনা ওল ইন্দিয়া ট্রেদ য়ুনিয়ন কোংগ্রেস অসিনা তোঙান তোঙানবা ষ্টেটকী অমদি দিষ্ট্রিক্টশিংগী থাক্তা পাঙথোকখিবা কনফরেন্স, কনভেন্সন অমসুং মীফমশিংগী মরিক চুম্বা রিপোর্টশিং থমখি। লোয়ননা মখা তানা কনভেন্সন অদুদা মীওই ২৩না শাবা অনৌবা দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি অমা শেমখিবগা লোয়ননা দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি অদুগী প্রসিদেন্ট ওইনা য়ু রাজমোহোন, ভাইস প্রসিদেন্টতা এল বিরমনি, সেক্রেটরিদা এল বিহারী, জোইন্ট সেক্রেটরিদা ইস্লাউদ্দিন অমদি ট্রেজররদা টি ঐচ বিরেনবু অনৌবা টর্ম অসিগী থৌ পুনবগীদমক য়েৎনবা লৈতনা খনখি হায়রি।

মীফম অদুদা হৌজিক হৌজিক থৌবাল অমদি ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৌমী-শিন্মীশিংনা মায়োক্লুরিবা অৱাবা খুদোংচাদবশিংগী অমদি লৌমীশিংগী রাইট ফংনবগী মতাংদা খন্নখি হায়রি।

# সেকমাই এরিয়া নুপী মরুপকী মীহুৎশিং খনখিবগা লোয়ননা পাঙথোরক্কদবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা খন্ন-নৈনবগী মীফম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৮ (ঐচ এন এস) :
নোংচুপ সঞ্জেনবমদা ওল মণিপুর নুপী মরুপকী ব্রাঞ্চ (সখা কম্মিটি) অমা সেকমাই এরিয়া নুপী মরুপকী মখাদা হৌনবী মতুংইন্না ঙসি হাংদোকখ্রে হায়না ওল মণিপুর নুপী মরুপ সেকমাই এরিয়াগী সেক্রেটরি এম পুর্ণিমাসিদা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।



সেকমাই এরিয়া নুপী মরুপকী মখাদা নোংচুপ সঞ্জেনবম নুপী মরুপকী ব্রাঞ্চ হাংদোকখিবগী মীফম অদুদা হাওচাম পশোদ অমদি মাইবম পুর্ণিমাসিনা ময়াই তাংবল লৌখি। অনৌবা ব্রাঞ্চ হাংদোকপা অমদি খন্ন-নৈনবগী মীফম অদুগী ৱাহৌদোক পীরদুনা মরুপ অসিগী সেকমাই এ সীগী এরিয়া কম্মিটি সেক্রেটরিনা ওল মণিপুর নুপী মরুপ ১৯১৪গী জন্যুৱারী ৭তা মীয়ামগী জননেতা হিজম ইরাবতনা লিংখৎপীরম্বদগী হৌনা ঙসি ফাওবা নুপীশিংগী রাইট ফংনবা অমদি মণিপুরগী চাউখৎ থৌরাং কয়াদা শরুক য়াদুনা লাক্লি হায়বা ৱাফমশিং ফোঙদোকখি।

য়াম্না লিরবা মীয়ামগী অমদি লৈবাক্কী মরুওইবা থবক থৌরমশিং অমসুং ঈহৌ কয়াদা শরুক য়াদুনা লাকখিবা ওল মণিপুর নুপী মরুপ অসিগী থৌদাং মখা তানা হনবা লৈতনা লৌখিগনি। ঙসিদি নুপী-অঙাংশিংগীদমক ইন্দিয়াগী ওইনা লো কয়ামরুম লৈরে। খুদম ওইনা পোক্সো এক্ট হায়বসিমক নুপী-অঙাংশিংবু নমথবা, ঈজ্জৎ মাঙহনবীবনচিংবদগী কন্নবা এক্ট অমনি। এক্ট অসিগী মতাংদা ঐখোয় পুম্নমক্না মুন্না খঙমিন্নবা তঙাইফদে হায়বনচিংবা ৱাফমশিং ফোঙদোকখি।

মীফম অদুদা মহাক্না মখা তারদুনা হায়খি, চহী ১৮ শুদ্রিবী নুপীমচাশিংনা মরক-মরক্তা য়ুম পানবগী চৎনবী লৈরিবসি এক্ট অসিনা য়াদে। ঐখোয় নুপীশিংদা, নুপী লুহোংবগী চহী হেনগৎনবা হোৎনরিবা অসিদা ঐখোয়না কন্না শাউফম লৈতে। মরমদি মসি নুপীশিংবু হেন্না মশা-মউ ফনবা অমদি ৱাদনা পুন্সি লেনজনবগী চত্থরকপা প্রোগ্রাম অমনি হায়না ঐখোয় পুম্নমক্না লৌসি। নৌনা য়ুম পানবগী চৎনবী অসি খুঙ্গংদনা হেন্না থোকপগুম তৌরি। মসি থিংগদবনি।

মরমদি খুন্নাই অসিগী নুপীশিংবু মতিক চানা লাইরিক-লাইশু তম্বীবগা লোয়ননা মশা-মউ ফনা শেন্বী-শাবীগদবনি। মসিগীদমক্তনি মীয়ামগী লুচিংবা হিজম ইরাবতনা নুপী মরুপ লিংলক্লিবা অসি। লোয়ননা এৱ্যের্নেস পীনবগীদমক খুঙ্গং, খুনয়া খূদিংমক্তা স্কুলনচিংবা কয়া লিংখৎলল্লিবা অসিনি।

নুপীগী স্কুল লিংনবা হোৎনবদা মহাক্না অচৌবা থৌদাং লৌবীরমখি। লোয়ননা মীয়ামগী লুচিংপুরেল হিজম ইরাবতকী খোঙলোয়শিং অমদি নুপী মরুপনা লৈঙাক খূদিংমক্তা অসিগুম্বা থবক অসি পাঙথোক্লবা তকশিন্দুনা লাক্লি। মরম অদুনা মণিপুরদা লৈরিবা নুপী খুন্নাইনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংগী ওইনা ওল মণিপুর নুপী মরুপকী ব্রাঞ্চশিং হাংদোক্তুনা নুপী ওইবীশিংগী রাইট অমদি করিগুম্বা তঙাইফদবা অচৌবা লৈবাক্কী ওইবা ইস্যু অমা লাকপা মতমদা পুন্না থবক তৌমিন্নবা ঙম্নবগীদমক্তা চত্থরকপা থবক অমনি। ঙসি তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ওল মণিপুর নুপী মরুপকী ব্রাঞ্চশিং হাংদোক্লবা মতুং নোংচুপ সঞ্জেনবম ওল মণিপুর নুপী মরুপ ব্রাঞ্চ হাংদোক্লিবনি।

হৌনবী মতুংইন্না সঞ্জেনবম ব্রাঞ্চ অসি হাংলবনিনা মখা তাবা খোঙজংশিংগী পোরম পোম্মিৎ য়াৎথোক্লগানি। লোয়ননা সেকমাই এরিয়া নুপী মরুপকী রিপ্রজেন্টেসন খনখিবগা লোয়ননা এরিয়া অসিনা তৌরকপা থবক থৌরমশিং অমদি ষ্টেট লেভেলগী থবক থৌরমশিংদা শরুক য়াবা হায়নসু মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা মীপুম খূদিংমক্না অমত্তা ওইনা য়ানখি হায়রি।

# পেন্টিং কম্পিটিসন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৮ (ঐচ এন এস) :
দিপার্টমেন্ট ওফ এদ্যুকেসন (এস)কা জোনেল এদ্যুকেসন জোন ৱানগা পুন্না খুৎশম্নদুনা ক্বাকৈথেল মোইৱাংপুরেল কম্যুনিটি হোলদা পেন্টিং কম্পিটিসন অমা পাঙথোকখ্রে।

পেন্টিং কম্পিটিসন অদুদা ক্লাস ফোরদগী আইট অমদি ক্লাস নাইনদগী টেন ফাওবগী ওইনা কেটেগোরি অনী থোক্লা পাঙথোকখি। পেন্টিং কম্পিটিসন অসি মোদি এগজাম ৱারিয়র লাইরিক্তা মন্ত্র ২৫ য়াওরি। মদুগী মনুংদগী মন্ত্র ৩ লৌথোক্লগা পেন্টিং কম্পিটিসন অসিগী থীম ওইদুনা পাঙথোকপনি। লোয়ননা লাক্কদৌরিবা ক্লাস নাইন, টেনগী এগজামদা শরুক য়াগদৌরিবা মহৈরোয়শিংগীদমক খল্লগা মখোয়না থেংনরিবা খুদোংচাদবা অমদি মখোয়না লৌরিবা টেন্সনশিং অদু কোক্লনবা হোৎনবনি। পেন্টিং কম্পিটিসন অদুদা সোসল ৱেলফ্যের মিনিষ্টর হৈখাম দিঙ্গো, এম এল এ করাম শ্যাম, এক্স-মিনিষ্টর ও লুখোই, বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ষ্টেট জেনরেল সেক্রেটরি পি প্রেমানন্দসু শরুক য়াখি।

# ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১৯।০১।২০২৩ ইং, শগোলশেল;
নুংথিল পুং ১.১৯ ফাওবা ৱাকচিংগী ২৭ নি পাল্লি, মতুং ২৮ নি পানগনি।

মেষ: কান্নদবদা শাওরুনু অমদি অখং-অহৈ শারুনু মতাং চাদনা চোপকনি। পাঙনিংবা থবক পাঙগনি, পল্লম্বা শেলথুম ফংবগী নুংঙাইবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চাখিরোই
থৌনি পোৎলম : লৈ অশঙবা/কিসমিস

বৃষ: নীংবা শোয়দনা থুংগনি-চিংনগনু অমদি খুদোংচাবা মাঙহনগনু। ৱানোম থৌনোম কান্নরগনি, লৈজবা লৌশিং ফুদোকপসু মতাং চারে।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

মিথুন: নোল্লুক্লা চৎলবা, খুদক্কী ওইবা ৱারেপ লৌদবা ঙম্লদি মাঙগদবা অমত্তা লৈতে। লম চৎপা কান্নগনি, শেন্দোংসু লৈগনি, মীনসু য়াগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশি মরী ফগৎকনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/কিসমিস

কর্কট: নচাক নরল চেকশিল্লু, মরম চাদনা মুক্লরুনু, হেন্না অশা তৌখিনু। পাঙনিংবা থবকতি পাঙগনি, ওইজবসু ফংগনি, অকিবা মাঙখিনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মতম খরা লৌখো।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/শঙ্গোম

সিংহ: পুক্লিং ফাথনা লৈউ। অফা-অপুনগী থবক্তা য়াওরুনু, হন্থবসু লোয়নগনু-অদু ওইরদি ময়েং তাবা লৈরোই। মরুপকী ৱা তাবা কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- য়েৎনবনা মাঙহল্লি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

কন্যা: মীয়ামগা হেন্না মরী ফগৎকনি, লান্দবনা মায় পাক্লবগী অচৌবা উপাইনি, ইমুং মনুং ৱাতন্নৌ-চাওখৎকনি। পাউদি নুংঙাইতবা তাগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

তুলা: অকল-অরিং শিংগনু, নোল্লুক্লা চৎলু কায়নবা অমদি মাঙবা লৈরোইয়ে। নঙগীদমক মীয়াম লৈ-মখোয়না পাম্বা থৌ পাংউ-চাওখৎকনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা হেন্না লুনা তৌবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ /চিনি অঙাংবা

বৃশ্চিক: হরাওবা, মীচং হেনগৎপা, অনৌবা থৌরমদা পুক্লিং হেন্না চঙবা ঙম্বা নুমিৎনি। অকল-অথৌগী থবক্তদি য়াওরুনু, চিনসু কনগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- য়াকা য়েংনা লৈখো।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশঙবা/কিসমিস

ধনু: পাউ নুংঙাইত্রসু, মরুপ মপাঙগা ৱাখল তান্নদবা লৈরসু নচাক নরলদি হেনগৎকনি। নক্লবা মীশিংগী মতেং ফংগনি, অফা অপুন্নবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশি মরী ফগৎলি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

মকর: মীয়াম্না চানবীবা হেনগনি, পাংঙমদবা থবক পাঙবগী নুংঙাইজবসু লৈগনি, নচা-ননায়সু চাওখৎকনি। হন্থবা মীনদি য়েংথি-লোয়নরুনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা থোয়না চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

কুম্ভ: পায়রক্কী লৌশিং শোল্লি-অরুবা ৱাদি য়ৈথোকপা ফৈ। ফীংবনা করিসু নত্তবদা মরুপ মপাঙগা কায়নগনি-তপথৌ। অফবা থবক্তি পাঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱাখল নুংঙাইগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

মিন: মরুপ লোয়নবা কান্নগনি, তুংগী পোরম শিন্দোকপসু য়াম্না লৈগনি, ঙাংথোকপদা পকচবা নুমিৎনি। অফা-অপুনগী লমদদি মাঙজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চাদে।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

# এপ্লিকেসন কৌরি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৮ (ঐচ এন এস) :
তোঙান-তোঙানবা লমশিংদা থোইদোক হেন্দোক্লা খুন্নাইগী কান্নবা তৌরিবা মীওইশিংদগী বহুজনা সাহিত্য একাদেমী (নেসনল কম্মিটি ওফ ইন্দিয়া)না নেসনল এৱার্দশিংগীদমক এপ্লিকেসন কৌরি হায়না বহুজনা সাহিত্য একাদেমী মণিপুর ষ্টেটকী প্রসিদেন্ট ফাঞ্জৌবম লনজিৎকী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

হায়রিবা নেসনল এৱার্দশিং অসিগীদমক এপ্লাই তৌবীনিংবশিংনা অকুপ্পা মরোলগীদমক ওফিস মতমদা ৯৩৬৬০৬৪১৭৪দা পাউ ফাওবীরকউ। লোয়ননা এৱার্দশিং অসিগীদমক এপ্লিকেসন থাজিল্লকপা মতমদা মশা-মশাগী বাইও দেটা, পাসপোর্ট ফোটো, আধার কার্দ/ভোটর আইদেন্টিটি কার্দকী জেরোক্স কোপী য়াওরক্কদবনি। নেসনল এৱার্দ অসি চহী অসিগী মার্চ ১২দা কৃষ্ণরেদ্দি ভবন টিরুপতি অন্ধ্র প্রদেশতা পাঙথোক্কদবা বহুজনা রাইটর্স সিক্স সাউথ ইন্দিয়া নেসনল কনফরেন্সতা লান্থোক্কনি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তারি।

# আই সী দি এসকী মনুং চন্না উখ্রুলদা নুমীৎ মঙানিগী ওইবা গার্লস চাইল্ড এদ্যুকেসন অমদি ইম্পৱারমেন্টকী থৌরম দি সী কৃষ্ণকুমারনা হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৮ (ঐচ এন এস) :
ইন্টিগ্রেটেদ চাইল্ড দিভেলপমেন্ট সর্ভিস (আই সী দি এস) দিপার্টমেন্ট ওফ উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টনা শীন্দুনা নুমীৎ মঙানিগী ওইবা গার্লস চাইল্ড এদ্যুকেসন এন্দ ইম্পৱারমেন্ট হায়বা থৌরম অমা উখ্রুলগী মিনি সেক্রেটরিয়েটকী দি আর দি এ হোলদা দেপ্যুটি কম্মিস্নার কৃষ্ণকুমারনা হৌদোকখ্রে হায়না দিষ্ট্রিক্ট ইনফোর্মেসন ওফিসর উখ্রুলগী মায়কৈদগী থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

বেটি বচাও বেটি পরাওগী মনুং চন্না ঙসিদগী হৌদুনা পাঙথোকপা হৌখ্রবা চার্লস চাইল্ড এদ্যুকেসন অমদি ইম্পৱারমেন্টকী থৌরম অদুদা দি পি ও ওফ আই সী দি এস, এ দব্লিয়ু সিমরৈপাম, এ সী টু দি সী এন্দ এস দি ও, এল এম ব্লোক এ রোহিনিকুমার অমদি পি ও ওফ দি আর দি এ ঙামরৈৱুংনচিংবসু শরুক য়াখি হায়রি।



ঙসিদগী হৌদুনা নুমীৎ মঙানি চুপ্পা পাঙথোক্কদৌরিবা গার্লস চাইল্ড এদ্যুকেসন এন্দ ইম্পৱারমেন্টকী থৌরম অদুদা চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদনা দেপ্যুটি কম্মিস্নার উখ্রুল কৃষ্ণকুমারনা ফোঙদোকখিবদা, ঙসিদগী হৌদুনা পাঙথোল্লিবা থৌরম অসি নেসনল গার্ল চাইল্ড ৱিক সেলেব্রেসনগী মনুং চন্না উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনসু পাঙথোকপনি। থৌরম অসি পাঙথোকপগী নুংগী ওইবা পান্দমদি নুপী হায়বসি লৈবাক অসিগী য়াংলেন শরূনি। মখোয়গী থৌদাং ঐখোয়না ঈকায় খুম্নফম থোকই। মরম অদুনা মীপুম খূদিংমক্না লৈবাক অসিদা পোক্লক্কদৌরিবা অঙাং নুপীমচাশিংবু হরাও তয়াম্না ওকপা চঙই। মরম অদুনা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ওইনসু নৌনা পোক্লক্কদৌরিবী নুপীমচাশিংবু হরাও তয়াম্না ওকসি। লোয়ননা য়ুম অমদা মচা ওইবশিংগী মরক্তা পেরেন্ট খরনা নুপা অমদি নুপী হায়দুনা অচান-মীরাই নাইদুনা নায়োক-নাওকোনবগী থবক তৌদবসু য়াওদবা নত্তে। অসিগুম্বা থৌওং অসি ঐখোয়না থাদোকপগী তঙাইফদবা লৈ। গভর্ণমেন্টকী মীৎয়েং মখাদা আই সী দি এসনসু নুপীশিংগী ইম্পৱারমেন্টকী মতাংদা হেন্না থৌনা পীনবা হোৎনরি হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা সিগ্নেচর কেম্পেয়ন অমসু চৎখি। সিগ্নেচর কেম্পেয়ন অদুগী নুংগী ওইবা মরমদি নুপীশিংগী মথক্তা অরানবা থবক চত্থদবা, মান্নবা মীৎয়েং থম্বীবা অমদি মখোয়গী ফংফম থোকপা সিটিজন অমগী রাইটশিং ফংহন্নবগী মতাংদা এৱ্যের্নেস পীনবনি হায়রি।

নীংশিংবা য়াবদি, বেটি বচাও বেটি পরাও হায়রিবা প্রোগ্রাম অসি ইন্দিয়াদা সেক্স রেসিও বেলেন্স তৌনবগী পান্দমদা কুমজা ২০১৫গী জন্যুৱারী ২২দা হৌদোকখিবনি। প্রোগ্রাম অসিগী মনুং চন্না মিনিষ্ট্রি ওফ ৱিমেন এন্দ চাইল্ড, মিনিষ্ট্রি ওফ ফেমিলি ৱেলফ্যের এন্দ মিনিষ্ট্রি ওফ এদ্যুকেসন গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা নুপীশিংগী ওইবা তোঙান তোঙানবা থবক থৌরমশিং পাঙথোক্তুনা নুপীশিংগী মথক্তা চত্থবা দিস্ক্রিমিনেসন হন্থনবা হোৎনদুনা লাকখিবনি।